# য়ু এননা সি এ আর ক্রাইসিসকী মতাংদা নুংনাংলে

*বাঙ্গুই, জনুৱারি ১৫ঃ* য়ু এনগী সেনিয়ার এনভোই অমনা মালেম পুম্বগী অচৌবা থৌশিল থৌরাং অমা চংশিন্দুনা সেন্ট্রেল আফ্রিকান রিপব্লিক (সি এ আর) কী ইরাং নেমথনবা হোৎনবা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সি এ আরগী কোনুং বাঙ্গুইদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা এনভোই অসিনা হায়খিবদা লৈবাক অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়াম্না চাওবা ক্রাইসিস অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন ওফিস ফোর দি কো-ওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ান এফিয়ার্স (ও সি ঐচ এ) গী জোন গীং হায়বা ওফিসিয়েল অসিনা হায়খিবদা লৈবাক অদুগী মী অয়াম্বনা লাইনিংগী নত্রগা জাৎ কাংলুপকী ওইনা কিনিঙাই ওইরবা পুন্সি মরেল অমদা লেন্নরি হায়বগা লোয়ননা ফিভম অসি অমুক্কা হেন্না ফৎচিল্লক্তবা য়ারি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মমাং চয়োলদসু লৈবাক অদুদা থোক্লিবা খুৎ থোক্নবা অদুদগী নাম্থোক্লুগা লোইরে খনবা মীয়ামনা হান্নদগী লৈফম চাফম মওং তাদ্রবা মী চিলমল্লবা কেম্পশিংদা হোৎচিন্নবদা লৈবাক অদু তশেংনা খুদোংথিরবা লৈবাক হায়বদু ওইরবনি হায়নসু য়ু এননা ফোঙদোকখ্রবনি।

লৈবাক্কী কোনুং বাঙ্গুইদা লৈবা এয়ারপোর্ট অমদা মীকোক লাক্ষ অমরোম লৈবা কেম্প অমদা মিজলস লাইচৎ শন্দোকখিবনি। লৈবাক অদুদা মশিং য়াল্লবা মীয়াম ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে।

শান্তি ঙাক্নবা ফ্রান্সগী লান্মী ১৬০০ কা অফ্রিকান য়ুনিয়ন পিছ কিপ্পা লিশিং ৪ রোম লৈদুনসু অরৎপা লৈতনা ভাইওলেন্স থৌদোকশিং থোক্লি।

অদুক য়াম্বা মীয়াম অমা ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নরগদি লৈফম চাফম, চিঙ্গাক, হিদাক লাংথক অসিনচিংবা কা হেন্না ৱাৎতুনা মীওইবা খুন্নাইনা পুন্না তেংবাংগী থবক লৌখৎপগী মথৌ তারগনি। অদুগা অমুক্তসু কিনিঙাই ওইরিবনা ফিভম অদু ফত্তবা হেঞ্জিল্লকপদগী মমৈদদি লাকশিনবা ঙম্লোইদবা চাং অমা য়ৌরকপসু তম্বা ঙমদ্রে। হৌজিক হৌজিকসু মীকোক মিল্লিয়ন ১ রোমদি খামজিনবা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরবনি হায়না গীংনা পোঙদোকখি।

য়ুম কয়ামরুম মাঙ তাকখ্রে, ফেসিলিটিশিং, স্কুলশিং অমদি মেদিকেল সেন্টরশিং ঙম্নমক থুগাইখ্রে। ঈশিং লৈবা গুহাশিং মাঙ তাকহনখ্রে। ঈশিং ফংফমশিং মাঙ তাকহনবা হায়বসিমক ৱাখলনা লামশিনবা ৱারবা তমথিরবা থৌদোকনি।

মীয়াম অদুবু হান্নগুম অনৌবা পুন্সি অমা শাগৎহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক মনুংগী অদুগা মালেমগী মীয়াম পুম্বগী অচৌবা তেংবাং থৌশিল অমা তঙাইফদনা মথৌ তারগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

লৈবাক্কী কোনুং বাঙ্গুইগী ৱাংমদদি ফিভম অসি অমুক্তসু হেন্না ফৎত্রিবনি হায়নসু গীংনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

# ওস্ট্রেলিয়াদা শামনবদগী ফয়ার এলার্ট লাউথোক্লে



*মেলবোর্ন, জনুৱারি ১৫ঃ* ওস্ট্রেলিয়াগী খা নোংপোক থংবা মফমশিংদা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম কা হেন্না শাবগা লোয়ননা মফম খরদদি টেম্পরেচর দিগ্রী সেলসিয়স ৪০ হেল্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী মফম কয়ামরুমদা শোইদনা লাম্মৈ চাকপা য়াবগী ৱার্নিংশিং লাউথোক্লুক্লে। ভিক্টোরিয়াদা অখাক অরাওনা মরম ওইদুনা লৈবাকপোকপগী অহিংদা লাম্মৈ ২৫০ হেন্না চাকহনখ্রে হায়না ফয়ার ওঠোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসি শিনবা থুংনা মৈ বেন তৌবগী ওর্দর অমা ইসু তৌখ্রে। মেলবোর্নদা টেনিস প্লেয়ার অমগা বোল বোই অমগা ওস্ট্রেলিয়ান ওপনগী মেটচ অমগী মনুংদা শামনবনা মরম ওইদুনা লেকথরকখি। সিটি অসিদা ঙরাং লৈবাকপোকপগী অহিং নোংশোইবা টেম্পরেচর দিগ্রী ৩০ গী মথক্তা লৈখি।

কন্টি ফয়ার ওঠোরিটি চিফ ওফিসার য়ুআন ফরগ্যুসননা থোকপা চেরোল অমদা হায়খিবদা ভিক্টোরিয়াগী কা হেন্না ৱাংবা টেম্পরেচর অসিনা লমদম অসিগী মীয়াম অমদি ফয়ার সার্ভিসপু পরিক্ষা লৌগদৌরি।

ইরাই ফাওবগী মমাংদা অচৌবা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা য়াবগী খুদোংথিবা হন্থহনবদা অরুবা অমা ওইগদৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা ফয়ার ফাইটরশিংনা ষ্টেট অসিদা হৌরকখিবা মৈ অয়াম্বা লাকশিনবদি ঙমখ্রে। অদুগা খরদি লাকশিনবা ঙমদনা লৈরি।

নিংশিংবা য়াবদি ইং ২০০৯ দা ভিক্টোরিয়াদা থোকখিবা অচৌবা মৈহৌ লাংপোকশিংদা মীওই ১৭৩ শিখিবগা লোয়ননা য়ুম লিশিং ২ হেন্না তুম্না চাকখিবনি।

অমরোমদা খা ওস্ট্রেলিয়াগী কোনুং এদেলেইদতদি দিগ্রী সেলসিয়স ৪৫.১ য়ৌবা খ্বাইদগী শাবা নুমিৎ মরিনি হৌখ্রে। পোর্টি লিশিং ১৪ রোমদা পৱার ফংনখিদ্রে। মৈ ফংখিদবদু অখাক অরাও য়াওবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা মরম ওইগনি হায়না খন্নরি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপদা ওস্ট্রেলিয়ান ওপন টুর্নামেন্ট মনুংদা কনাদাগী টেনিস প্লেয়ার ফ্রাঙ্ক দানসেভিক শান্নরিঙৈদা লেকথরকখি। কোন্না মহাক্না পাউমীশিংদা হায়খিবদা শামনবনা মরম ওইদুনা মকোক ঙাওরকপদগী শেরান-তুরান উরকখি হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনাগী পেংসুৱাই হায়বা অতোপ্পা শান্নরোই অমনা শান্নরিঙৈ মনুংদা শামনবদগী মহাক ওখি হায়না ফোঙদোকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা বোল বোই অমা লেকথরকখি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# ইজিপতা নিনিশুবা ওইনা ভোট থাদনখ্রে



*কাইরো, জনুৱারি ১৫ঃ* ইজিপতা ঙসিসু কন্সটিট্যুসনেল রিফরেন্দম অমা লৌবা ওইনা মখা তানা ভোট থাদনখ্রে।

মমাংগী নুমিৎতা মীয়াম মরক্তা খুৎ থোক্নবদা মী ৯ শিখ্রবা মতুংদা আর্মি চিফ অবদেল ফটা অল সি সিনা ইজিপকী প্রসিদেন্ট ওইনবগী থৌরাং অসিদা ভোটরশিং থোক্লককপগী চাংনা মায় পাকপা নত্রগা মায়থিবা লেপ্পা য়াবা ফিভম অমদা ভোট থাদনখিবনি।

ইজিপকী কোনুং কাইরোদা অঙনবা মতমদা ভোট থাদবা থোক্লককপা মীশিং থোইদোক্না য়ামখিদে। অদুবু ঙসি নিনি চনবগী ভোটিংদদি অয়ুক্তা ইজিপ মচাশিং পুলিস ষ্টেসনশিংদা ভোট থাদবা চৎপগী চাং খজিক্তং হেনগৎখি হায়না পাউমী অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

অকনবা ঙাকশেন মরক্তা ইজিপ শিনবা থুংনা ষ্টেসন অয়াম্বদা ঙরাংসু ভোটিং অসি চৎখিবনি। অদুবু মফম লৌথোকখ্রবা প্রসিদেন্ট মুহমদ মোর্সিবু শৌগৎপশিংগা মখোয়গা য়ানবশিংগা মরক-মরক্তা খুৎ থোক্নবদা মীওই ৯ শিখিবনি। ৱাফম অমনা মোর্সিগী লৈঙাক মখাদা পাস তৌখিবা কন্সটিট্যুসন অদুগী মহুৎতা নৌনা শেম্লিবা কন্সটিট্যুসন অসি মোর্সিবু শৌগৎপা মুস্লিম ব্রদরহুদকী ইস্লামিসশিংনা বোয়কোট তৌদুনসু পাস তৌবা য়ানা লৈরি। মোর্সিগী মখাদা শেমখিবা চার্টর অদু ভোট চাদা ৬৪ ফংদুনা এপ্রুভ তৌখিবনি।

অমরোমদা ঙরাংগী ভোটিংগী অহানবা নুমিৎকী ভাইওলেন্স থৌদোকশিং অদুনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না তাবা আরব লৈবাক অসিদা গভর্নমেন্ট কন্ট্রোল অসি চিংননিঙাই খরদি লৈহল্লি।

ঙরাং মীওই ২৫০ রোম ফাখিবগী মনুংদা মফম খরদা পোল্লিংদা অকাইবা তৌবা মুস্লিম ব্রদরহুদকী মীওই খরসু য়াওখি। পনবা য়াবদি মোর্সিবু মফম লৌথোকখিবা মতুংদগী ইজিপতা থোকখিবা খুৎ থোক্নবা থৌদোকশিংদা মীওই লিশিং অমা হেন্না শিখ্রবনি অদুগা লিশিং কয়ামরুমনা ফাখ্রবনি। ফাখিবশিং অদুগী মরক্তা মোর্সিগী মুস্লিম ব্রদরহুদকী মকোক থোংবা লুচিংবা খরসু য়াওখ্রবনি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ‘ৱাকৎ ঈহৌ লৈরবসু মীখলগী থৌরাংদি অদুমক চৎখগনি’



*লৈবাকপোকপগী অহিংদা ৱাকৎলোইশিংগী কেম্পতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ৱাকৎলোইশিং পাকথনরি*

*বেঙ্কোক, জনুৱারি ১৫ঃ* থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রানা লৈঙাক শক্তি থাদোক্ত্রিবমখে বেঙ্কোক সদ-দাউন হায়বা খোঙজং লেপ্তুনা চংশিনগনি হায়না ৱাকৎলোইশিংনা লাউথোকখ্রবসু গভর্নমেন্টনদি ওপোজিসননা ৱাকৎ ঈহৌ লেপ্তুনা চংশিল্লবসু মীখলগী থৌরাং হান্না লাউথোকখিবা ফেব্রুৱারী ২ দা পাঙথোক্নবা অদুমক চংশিনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গভর্নমেন্টনা ৱাকৎলোইশিংদা ৱারী শাননবা কৌখিবা মীটিং অমা মখোয়না বোয়কোট তৌদুনা তোকখিবগী হেক মতুংদা গভর্নমেন্টনা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি।

ৱাকৎলোই লুচিংবা সুথেপ থাউংসুবান প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রা অমদি মহাক্কী গভর্নমেন্ট শৌগৎপা খরনা মখোয়গী ৱাকৎ তাদ্রবদি ফাগনি হায়নসু কিহনখ্রে।

হৌজিক সুথেপকী ৱাকৎ ঈহৌ শৌগৎপশিংনা বেঙ্কোক্কী মরুওইবা লম্বী লম্লোংশিং থিংজিনবগা লোয়ননা মফম খরদা ৱাকৎলোইশিংগী কেম্পশিং শাজিন্দুনা লৈরিবনি।

ইং ২০১০ গী মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী শাথিবা পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা ফিভম অসিদা মীওই ৯০ সু শিখ্রবনি। চৎনবা য়াবা মীখল অমগী ওইথোকপসু উদ্রি। অদুবু অতৈ পোলিটিসিয়ান খরগা মিটিং অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা কোক শারবা থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি খ্বাইদগী পামদবা ওপসন অমা ওইরগসু মীখল অসিমদি লাউথোকখিবা মতুংইন্না পাঙথোক্নবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়না থাজবা য়াবা লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎলোইশিংনসু হৌজিক ময়াই থংবা বেঙ্কোক্তা মরুওইবা লম্বী লম্লোংশিং চখোক-চৎশিন য়াহনখিদ্রে। মীখল অদু লাউথোকখিবা মতমদা পাঙথোক্লবসু নত্রগা য়ৈথোক্লগা পাঙথোক্লবসু মদুবু নমদুনা থুগাইনবা ৱাকৎলোইশিংনা অকনবা ফিরেপ লৌখ্রে। করিগুম্বা মীখল অসি পাঙথোকখিবা তারবদি প্রাইম মিনিষ্টর অসি মহাকপু শৌগৎপা লৌমী মিল্লিয়ন কয়াগী ভোটনা শোইদনা মায় পাকখিগনি হায়না ৱাকৎলোইশিংনা খন্নরি।

অমরোমদা গভর্নমেন্টপু শৌগৎপশিংনসু মিদল ক্লাস এলিট খরনা মচিং-মশোল ওইনা হৌবা ঈহৌ অমা নত্তনা কৈসু নত্তে হায়না উরি। ৱাকৎলোইশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর অসি নমদুনা মথৌ থাদোকহল্লবসু করিগুম্বা মীখলদা অমুক মায় পাকখ্রবদি লৈবাক অসিদা মখা তানা কাং-খোং চাইবা অমসুং ভাইওলেন্স থৌদোকশিং অদুমক থোকখিগনি হায়না ৱাকৎলোইশিংনা চপ চানা থাজৈ। অদুগা মখোয়না য়িংলুককী গভর্নমেন্ট অসি মফম লৌথোকখ্রবা হান্নগী লুচিংবা অমসুং মহাক্কী মবুং থাকশিন সিনাৱাত্রাগী কন্ট্রোল মখাদা হৌজিকসু লৈরি হায়না ৱাকৎলোইশিংনা মরাল শীরি। মথং চহিদা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীখল অসিসু ওপোজিসননা বোয়কোট তৌরিঙৈ চৈরক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীখল অসি য়ৈথোক্নবা খন্নসি হায়না ঙসি অয়ুক্তা মিটিং অমা কৌখিবনি। অদুবু করিগুম্বা য়াশিন্নবা অমদা তৌরোই হায়না লেপখ্রবা সুথেপনা মিটিং অদু শরুক য়াখিদবনি।

# চাইনাদা ফেক্টরি চাকপদা ১৬ শিরে

*বৈজিং, জনুৱারি ১৫ঃ* নোংপোক থংবা চাইনাদা লৈরিবা খোঙউপ শাফম ফেক্টরি অমদা থোকখিবা মৈহৌ-লাংপোক অমদা মীওই ১৬ শিরে অদুগা ৫ শোক্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সমুদ্র মপালদা লৈবা ইনাকখুনবা প্রোভিন্স অমা ওইরিবা ঝেজিয়াংদা লৈবা খোঙউপ শাফম ফেক্টরি অমদা মৈ অদু হৌরকখিবনি হায়বগা লোয়ননা মৈ অদু করম্না হৌরকখিবনো হায়বদি হৌজিক কন্না থিজিল্লি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মালেমদা ইকোনোমিগী ফিভম খ্বাইদগী ফবা অনিশুবা লৈবাক ওইরিবা চাইনা অসি মাইকৈ অমরোমদদি থবক শুফমশিংদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা থৌরাংদদি থাক নেম্না লৈরি। ফেক্টরিশিং, ওফিস বিল্ডিংশিং অমদি দুকানশিংদা হাপ্পা ফয়ার একজিটশিং অয়াম্বা মতমদা লোল্লি। মসি শিন্মীশিংনা মতম মাঙহনবা নত্রগা পোৎ-চৈ লোন্না হুবা ঙমহন্দনবনি। করিগুম্বা কান্দা অসিগুম্বা থোকফমশিং হাংবা শুকয়া য়াহন্দনা লোনবসু য়াওই।

মমাং চহিগী জুন থাদসু অৱাং নোংপোক থংবা জিলিন প্রোভিন্সতা য়েন শেম্ফম ওইবা ফেক্টরি অমা মৈ চাক্তুনা মী ১২০ শিখিবনি। খুদোংথিবা থৌদোক অদু মেনেজমেন্ট হৈতবা অদুগা গভর্নমেন্টনা তৌশাদবগী মথক্তা ফয়ার একজিটশিং হাংবা য়াহন্দবগীনি হায়নসু মতমদুদা মীয়াম্না পেন্নদবা ফোঙদোক্নখিবনি।

# য়ু কে দা কোল্লা মহি থক্তনবা খঙহনখ্রে



*লণ্ডন, জনুৱারি ১৫ঃ মীয়ামনা হৈ মহি থকপনা হকচাংদা কান্নবখক্তা পী হায়না থাজনবগী ওন্ন-তৈনবদা য়ু কে গভর্নমেন্টতগী ওবেসিটিগা মরী লৈনবা মরুওইবা এদভাইজর অমনা মীয়ামনা চিনিগী শরুক কা হেন্না য়াওবা মরমনা কোল্লা মহি থক্তবনা ফগনি হায়না খঙহনখ্রে হায়রি।*

*মেদিকেল রিসার্চ কাউন্সিলগী হ্যুমেন ন্যুত্রিসন রিসার্চ য়ুনিট, কেম্ব্রিজগী মকোক ওইবা প্রোফেসার সুসান জেবনা হায়বদা কোকা কোলাদা য়াওবগুম্না কোল্লা মহিদসু চীনি চপ চানা য়াওই অমদি মহি অসি নোংমদা মরি মঙারক থক্কদবা অফবা চিঞ্জাকশিংগী মনুংদা চনবা য়াদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।*

*হৈ ওইনা চাবগা মহি শুল্লগা থকপগা চাওনা মান্নদবা লৈ হায়বগা লোয়ননা কোল্লা মহি থকপদা অতোপ্পা চিনিনা শেম্বা থক্নবা মহিশিংগা চপ মান্ননা হকচাংনা চিনি লৌশিল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।*

*কোল্লা মহি অসি থকপদা হকচাংনসু য়াম্না থুনা চুপশিল্লি। মীওইবগী চাকখাওনা কোল্লা মহি নত্রগা কোকা কোলাগী খেন্নবা খঙদবা মরমনা চাকখাওদা হেক তাখিবগা মহি অসিদা য়াওবা চিনিগী শরুক হকচাংনা থুনমক চুপশিনখি হায়না মহাক্না সন্দে টাইমস পাউ চেদা ফোঙদোকখিবনি।*

*গভর্নমেন্টকী অনৌবা খোঙথাং অসি হৈ মহি অসি য়ু কে দা শেম্বগী শরুক্তগী চাদা ৩০ ককথনবা ফুদ ইন্দষ্ট্রিজশিংদা হকশেলগী মরমদা খঙবশিংনা তকশিনখ্রবা মতুংদা লৌখৎলকখিবনি।*

*হেল্থ এক্সপার্টশিংনা হায়খিবদা অলকোহোল নত্রগা হিদাক মনাগুম্না চিনি অসি হৌজিক্তি খুদোংথিনিঙাই ওইবা চিঞ্জাক মরক্তা চল্লে।*

*চিনিগী চাং হন্থহনবনা মীওইবা অমনা নোংমগী চাবদা লৌশিনবা কেলোরিগী শরুকশিংদগী চাম্মরোম হন্থহনবা ঙম্মী। অদুগা অনৌবা থৌরাং অসিনা য়ু কেদা ওবেসিটিগী লাইচৎ হেনগৎলক্লিবা অসি হন্থহনবা ঙমগনি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।*

*ব্রান্দেদ ফ্রুট জুইস অয়াম্বনা হৈ মহিদি য়াম্লবদা চাদা ১০ খক্তমক য়াওবা অদুগা চিনিগী চাং কা হেন্না ৱাংনা হাপচিনবা মরমনা হায়রিবা ব্রান্দেদ জুইসশিং অসি থকপদা ওবেসিটি, থম্মোয়গী লায়না অমদি টাইপ-টু দাইবেটিজগী খুদোংথিবা হেনগৎহল্লি হায়রি।*

*প্রোফেসার সুসান জেব অসি মশামক কোল্লা মহি থকপা তোক্লে হায়বগা লোয়ননা মীয়ামদসু মসি থক্তবা ঙমদ্রবদি ঈশিং য়াল্লগা থক্নবা খঙহনখি।*

*মহাক্না হায়খিবদা কোল্লা মহি থকপা তোকপা হায়বসি য়াম্না লাই। তোক্লে হায়রবদি মহি থকপগী মহুৎতা কোল্লা ওইনা মচেৎ অমা চাও। থক্লে হায়রগনা ঈশিং য়ানশিল্লু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।*

# জষ্টিনগী ময়ুমদা পুলিসনা থি হুম্বা চৎখ্রে

*নিউয়োর্ক, জনুৱারি ১৫ঃ* কানাদাগী শক্লাইরবা পোপষ্টার জষ্টিন বিবরনা য়ুম্লোন্নবশিংগী য়ুমদা য়েরুম লংশিল্লকই হায়বা ৱাকৎ অমা লাকপদগী মতিক চাবা খুদম ফংনবা পুলিসনা মহাক্কী ময়ুমদা থি-হুম্বা চৎখ্রে।

ষ্টার সিঙ্গর অসিগী ময়ুমদগী খুদম ওইবা য়াবা পোৎ করি ফংখিবগে হায়বদু ওফিসিয়েলশিংনা হায়দোকখিদে। অদুবু শৈশকপা অসিগী লোয়নবশিংগী মরক্তগী ময়াই কাবা দ্রগ লৈরম্মী হায়বগীদমক মেম্বর অমদি ফাখি।

য়েরুম লংশিনবগী থৌদোক অসিনা লোস এঞ্জেলিসকী কালাবাসাসতা লৈবা য়ুম অমদা অকায়বা থোকহনখ্রে হায়রি।

পুলিসনা হায়বদা বিবর (১৯) বুদি ফাখিদে হায়রি।

দিটেক্টিভশিংদা জষ্টিননা ফজনা কো ওপরেসন পীখিবগা লোয়ননা



মঙোন্দা ইন্টর্ভিয়ু অমত্তা লৌখিদে হায়না পাউমীশিংদা লেফটিনেন্ট দেবিদ থোমসননা ফোঙদোকখ্রে।

মখা তারদুনা মহাক্না হায়বদা জজ অমনা সার্স ৱারেন্ট অমখক্তি পীখি হায়না ফোঙদোকখি।

য়েরুম হায়বসি থোইদোক্না ৱায়াম্ননিঙাই পোৎশক্তি ওইদে অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদদি ভিক্টিম অসিগী য়ুমদা অকাইবা খরা থোক্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ওফিসিয়েলশিংনা ফাখিবা বিবরগী এসোসিয়েট অদুগী মমিংসু ফোঙদোরকখিদে। পুলিসনা থি হুম্বা চৎখিবদা জষ্টিনগী ময়ুমদা মীওই ৮ রোম লৈরম্মী। জষ্টিন বিবরসু লৈরম্মী। মহাকপু দিটেনদি তৌখি। অদুবু ফাবমক্তি ফাখিদে হায়নসু এল এ কন্টি সেরিফকী ওফিসনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

# খা মেরুগী উনশিং ফিভম চাদনা শৌদোক্লে

*লণ্ডন, জনুৱারি ১৫ঃ* রিসার্চরশিংনা হায়বদা খা-মেরুগী পাইন আইলেন্দ গ্লেসিয়ার (পি আই জি) অসি শৌদোকখিবদগী অমুক হন্না উনগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্তবা য়ানা লৈবগা লোয়ননা মালেম পুম্বগী ওইনা লাক্কদৌরিবা চহি ৪০ রোমগী মনুংদা সমুদ্রগী ইমায় কা হেন্না ৱাংখৎলকপদা অহেনবা ইনোৎ পীবা য়ানা লৈরে হায়না চেকশিন ৱারোল ফোঙদোকখ্রে।

গ্লেসিয়ার অসিগী ওইরকপা য়াবা মচৎশিং মোদেল ওইনা শেম্লগা টিম অহুম্না চৎখিবা চাংয়েং অমদা খা মেরুগী পি আই জিগী লমদম অসি মসিদগী হেন্না ইংবা ফিভম লাক্লবা ফাওবদা উন শৌদোকপগী থৌওংদি অদুমক চৎখিগনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

পি আই জি হায়রিবসি স্কৱার মাইল ১৬০,০০০ পাক চাওনা শন্দোকপা মফম অমা ওইবগা লোয়ননা অন্টার্কটিক কন্টিনেন্টকী নোংচুপলোমদা উন শৌদোক্তুনা ঈশিং ওল্লকপদা চাদা ২০ রোমগী শরুক চেন্থহল্লকপা মফমনি।

সেট্টলাইটশিং অমদি মালংদা থাগৎপা খুৎলায়শিংনা লৌরকপা মেজরমেন্টশিংদা গ্লেসিয়ার অসিগী পাথরকপগী চাং কা হেন্না য়াংনা চংশিল্লক্লি অদুগা উনপাক অসি কুমথরকপগী খোঙজেলসু হেনগৎলক্লি হায়বা খঙবা ঙমখ্রবনি। বৃটিশ এন্টার্কটিক সর্ভেগী ডাক্তর হিলমার গুদমনসননা য়ু কে, ফ্রান্স অমদি চাইনাগী কলিগশিংগা লোয়ননা পি আই জি গী খোঙজেল অমদি তুংদা ওইরক্কদবা মচৎশিংগী ন্যুমরিকেল মোদেলশিং শীজিন্নদুনা চাংয়েং চৎখিবনি। মখোয়না হায়বগী মতুংইন্না গ্লেসিয়ার অসি হৌজিক শৌদোকপগী চাং হেনগৎলক্লি হায়না খঙবা ঙমখি।

# ইরাক্তা বোম পোকখাইবদা মী কয়ামরুম শিখ্রে

*বাগদাদ, জনুৱারি ১৫ঃ* সেন্ট্রেল ইরাক্তা বোম কয়ামরুম পোকখাইখিবগী থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৬ শিখ্রে হায়না পুলিস অমদি মেদিকেল ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



বাকুবাগী খা থংবদা লৈবা খুঙ্গং অমদা গভর্নমেন্টপু শৌগৎপা সুনি মিলিটেন্ট অমগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লিঙৈদা চৎখরকপা বোমগী এটেক অমদা মী ১৮ শিখি হায়রি।

বাগদাদকী মফম কয়ামরুমদসু কার বোম ৭ পোকখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮ শিবগা লোয়ননা ৪০ হেন্না অশোক-অপন নংখি হায়রি।

মমাং চহি অসিদগী হৌনা ইরাক শিন থুংবদা কাংলুপ নাইনা চৎখবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং কন্না হেনগৎলক্তুনা ইং ২০০৭ তগী হৌজিক ফাওবদা ওইরকখিবা ফিভমশিংদগী খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা থাক অমা য়ৌখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়বদা মমাং চহি ইং ২০১৩ দা মীচম ৭৮১৮ অদুগা সিক্যুরিটি ফোর্স মেম্বর ১০৫০ শিখি হায়না ফোঙদোকখ্রে। চৎখিবা দিসেম্বর থা খক্তদা মীওই ৭৬০ রোম শিখি হায়রি।

বাগদাদতা থোকখিবা কার বোম এটেকশিং অদু ঙম্নমক্না মিনিট খজিক-খজিক্তং কান্নরগা থোকখিবনি। অয়াম্বনা কোনুং অসিগী সিয়াশিংনা নম্না তাবা মফমশিংদা থোকখিবনি। সুলা দিষ্ট্রিক্কী কৈথেল অমদা পোকখাইখিবা কার বোম অদুনা মীওই ৫ হাৎখি অদুগা ১২ না শোকহনখি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোকখি।

মনাক্তা লৈবা সাপতা পোকখাইখিবা কার বোম অদুনা মীচম ৪ শিহনবগা লোয়ননা ১৪ শোকহনখি।

কারাদাগী ময়াই থংবা শরুক্তা কার বোম অনি পোকখাইবদসু মীচম ৬ শিরগা ২৪ রোম শোকখি। হুসৈনিয়াদা থোকখিবা থৌদোক্তনা মীওই ৪ শিখি। অদুগা হুসৈনিয়াগী নোংপোক্তা লৈবা মামিলদা কার বোম অমসু পোকখাইবদা মীওই অহুম শিখি হায়রি।




অইবা অমসুং অয়েকপা নোংলান

## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-125

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 5 | | 7 |
| | 9 | 4 | | | | | | |
| | 5 | | | | | | | 6 |
| 8 | | 6 | 4 | 9 | | 2 | | |
| 2 | | | | | | 4 | | 8 |
| | 4 | | | 7 | | | | |
| | 8 | | 3 | | | | | |
| 7 | | | | 5 | | 8 | | 2 |
| | | | | | 1 | 3 | | 9 |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 3 | 1 | 4 | 7 | 2 | 9 | 8 |
| 4 | 7 | 2 | 6 | 9 | 8 | 1 | 3 | 5 |
| 1 | 8 | 9 | 5 | 2 | 3 | 7 | 6 | 4 |
| 2 | 3 | 7 | 4 | 8 | 5 | 9 | 1 | 6 |
| 8 | 1 | 4 | 9 | 7 | 6 | 3 | 5 | 2 |
| 9 | 6 | 5 | 3 | 1 | 2 | 8 | 4 | 7 |
| 5 | 2 | 1 | 8 | 3 | 4 | 6 | 7 | 9 |
| 3 | 4 | 8 | 7 | 6 | 9 | 5 | 2 | 1 |
| 7 | 9 | 6 | 2 | 5 | 1 | 4 | 8 | 3 |

**FILL THIS BLANK:**

*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*